# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, JULY 13, 2018 PAGE 7






*ঙরাং ইন্দিয়াগা শান্নখিবা অহানবা ৱান দে মেটচকী মাঙওইননা নেট প্রেকটিষ্ট তৌরিঙৈদা শোকপদগী শরুক য়াখিদ্রবা ইংলেন্দগী শান্নরোই এলেক্স হেলস*

*স্পেনগী ৩৫শুবা বাজা অরাগোন রেলিদা অহানবা ওইনা শরুক য়াগদৌরিবী বেঙ্গালুরুগী রেসর মশাগী চহী ২২ দা ঙাইরিবী আইস্বারিয়া পিসে*

## মারিও মান্দজুকিকনা এক্সত্রা টাইমদা চনখিবা পাঞ্জলনা ক্রোএসিয়ানা ইংলেন্দবু ২–১ দা থোইদুনা ফিফা ৱার্ল্ড কপকী পুৱারীদা অহানবা ওইনা ফাইনেল চঙদুনা ফ্রান্সকা শান্নরগনি

*মোস্কো, জুলাই ১২ঃ*
মারিও মান্দজুকিকনা এক্সত্রা টাইমদা চনখিবা পাঞ্জলনা ক্রোএসিয়ানা ইংলেন্দবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফিফা ৱার্ল্ড কপকী পুৱারীদা অহানবা ওইনা ফাইনেল চঙদুনা ফ্রান্সকা লম্বা তৌনরগনি।

ফিফা ৱার্ল্ড কপকী পুৱারীদা ক্রোএসিয়া অমসুং ইংলেন্দ মেটচ অমত্তা শান্নখিদ্রি। অহানবা ওইনা রুশিয়াগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিগী সেমি ফাইনেলদা ঙরাং অথেংবদা লম্বা তৌনখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি ক্রোএসিয়াগী টিম কুমজা ২০১৪ দা ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা গ্রুপ ষ্টেজদা অহুমশুবা পোজিসন তাহৌবদগী নোক আওট ষ্টেজ য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌবনি।

অমরোমদা ইংলেন্দগী টিমসু ব্রাজিলগী ৱার্ল্ড কপ অদুগী গ্রুপ ষ্টেজদা মরিশুবা পোজিসন তাদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।



মায় পাকপগী পাঞ্জল চনখিবা মারিও মান্দজুকিক (য়েৎতগী ২শুবা) না পাঞ্জল চল্লবা মতুং টিমমেটশিংগা হরাওবা ফোঙদোকপা

রুশিয়াগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিদা ক্রোএসিয়াগী টিম গ্রুপ ষ্টেজদা মেটচ অমত্তা মায়থিদনা লাক্লগা মকোক ওইদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা দেনমার্কপু পেনাল্টি সুটআওটতা পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ক্বার্টর ফাইনেলদা ক্রোএসিয়ানা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক রুশিয়াগা শান্নবদা মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখিবদা পাঞ্জল ২–২ দা মান্নদুনা লৈখিবদগী পেনাল্টি সুটআওটতা রুশিয়াবু মখোয়না পাঞ্জল ৪–৩ দা থোইরল্লগা সেমি ফাইনেল চঙলকখিবনি।

অমরোমদা ইংলেন্দনা গ্রুপ ষ্টেজদা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল শান্নবদা কলম্বীয়াবু পেনাল্টি সুটআওটতা ৪–৩ দা থোইরল্লবা মতুং ক্বার্টর ফাইনেলদা স্বিদেনবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরল্লগা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল চঙলকপনি।

ঙরাংগী মেটচ অদুদা শান্নবগী ৫শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী শান্নরোই কৈরোন ত্রিপ্পায়রনা ফ্রি কিক অমদা পাঞ্জল ওইদুনা ক্রোএসিয়াবু ১–০ দা মাঙজিল থাখিবা অদু অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লবা ফাওবা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা শান্নবগী ৬৮ শুবা মিনটতা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোই ইভান পেরিসিকনা ইক্বেলাইজর অদু চনখ্রবা মতুং মেটচকী লেমহৌবা মিনট ২২ রোমগী মতম অদু মখা তানা শান্নরকপদা অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা টিম অনীগী মায়কৈদগী লৈনখিদবদগী এক্সত্রা টাইমদা মায় পাকপা টিম মশক খঙদোকপা মথৌ তাখি।

এক্সত্রা টাইমগী অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা এটেক কয়া চথনরবসু পাঞ্জল অমত্তা চনশিন্নবা ঙমদনা লাকখি।

এক্সত্রা টাইমগী অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা অদুদা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোইশিংনা ইংলেন্দগী মায়কৈদা বোল তোয়না পুশিন্দুনা এটেক তৌবা হৌরকখি।

মেটচকী ১০৯শুবা মিনটতা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা মারিও মান্দজুকিকনা পাঞ্জল অমা চনদুনা ইংলেন্দবু ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখ্রবা মতুং লেমহৌবা মিনট খরা অদুদা ইংলেন্দনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ক্রোএসিয়ানা ২–১ দা থোইদুনা ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা ফাইনেল য়ৌদুনা থা অসিগী ১৫ দা ফ্রান্সকা টাইটলগীদমক লম্বা তৌনরগনি।

**Final Match**
**15-07-2018**
France vs Croatia
Time: 08.30 pm
Venue: Luzhniki Stadium, Moscow

**3rd Place Match**
**14-07-2018**
Belgium vs England
Time: 07.30 pm
Venue: St. Petersburg

## জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বর অমসুং য়ুএসএগী সেরেনা ৱিলিয়মস ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি

*লন্দন, জুলাই ১২ঃ*
জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বর অমসুং য়ুএসএগী সেরেনা ৱিলিয়মসনা লন্দনদা চথরিবা ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ১২শুবা সিদেদ লাটভিয়াগী জেলেনা ওস্টাপেনকোবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরল্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অহানবা সেট জর্মনিগী কর্বরনা লাটভিয়াগী জেলেনা ওস্টাপেনকোগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেট অদুদসু জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা লাটভিয়াগী জেলেনা ওস্টাপেনকোগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা মায়থিবা পীরল্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরগা ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবী য়ুএসএগী সেরেনা ৱিলিয়মসনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেলদা ১৩শুবা সিদেদ জর্মনিগী জুলিয়া জোর্জেসপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীরমখি।

অহানবা সেট য়ুএসএগী সেরেনানা জর্মনিগী জোর্জেসকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোখরবা জর্মনিগী জোর্জেসকী মায়কৈদগী অনীশুবা সেট অদুদা অকনবা লম্বা পীদুনা শান্নখ্রবসু য়ুএসএগী সেরেনানা মহাক্কী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইরল্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।



নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল লম্বা তৌনগদৌরিবী জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বর (ওই) অমদি য়ুএসএগী সেরেনা ৱিলিয়মস

ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই স্পেনগী রাফেল নদালনা আর্জেন্টিনাগী দেল পোত্রোবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং সেট ৩–২ দা মায়থিবা পীরল্লগা সেমি ফাইনেলদা ১২শুবা সিদেদ সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসকা লম্বা তৌনরগনি।

নদাল অমসুং পোত্রোনা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট পোত্রোনা নদালবু ৭–৫ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থারবা মতুং অনীশুবা সেট অদুনা নদালনা ৭–৬(৯–৭) দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নখি।

অহুমশুবা সেট অদুদা আর্জেন্টিনাগী দেল পোত্রোনা স্পেনগী রাফেল নদালগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা স্পেনগী রাফেল নদালনা মরিশুবা অমসুং মঙাশুবা সেট অদুদা আর্জেন্টিনাগী দেল পোত্রোগী সার্ভিস গেম অমমম ব্রেক তৌরগা ৬–৪, ৬–৪ দা থোইরল্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৯শুবা সিদেদ য়ুএসএগী জোন ইসনরনা ১৩শুবা সিদেদ কানাদাগী মিলোস রাউনিকপু সেট ৩–১ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা ৮শুবা সিদেদ সাউথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দরসনগা লম্বা তৌনরগনি।

রাউনিক অমসুং ইসনরনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা সেট টাই ব্রেক্তা রাউনিক্না ৭–৬(৭–৫) দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। সেট অমা শোখরবা য়ুএসএগী জোন ইসনরনা থংনবা সেট অহুম ৭–৬(৯–৭), ৬–৪, ৬–৩ দা থোইখিবদগী ইসনর সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা ৭শুবা সিদেদ য়ুএসএগী মাইক ব্রাইন অমসুং জেক সোককী পেয়রনা ১৩শুবা সিদেদ সাউথ অফ্রিকাগী রাভেন ক্লাসেন অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মাইকেল ভেনসকা লম্বা তৌনরগনি।

## ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টনগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, প্রনোই অমসুং কাশ্যপ লৈহৌরে

*বেঙ্কোক, জুলাই ১২ঃ*
ইন্দিয়াগী মকোক থোংবী নুপীগী সিঙ্গলস বেদমিন্টন শান্নরোই পি ভি সিন্ধু থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা চথরিবা থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই ঐচ এস প্রনোই অমসুং পরুপল্লি কাশ্যপ অনীশুবা রাউন্দদা লৈহৌরে।

থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর টু সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা হোং কোংগী শান্নরোই য়িপ প্যু য়িনবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলস মেটচ অদুগী অহানবা গেম ইন্দিয়াগী সিন্ধুনা হোং কোংগী শান্নরোই য়িপ প্যু য়িনবু ২১–১৬ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

গেম অমা মাঙজিল থারিবী ইন্দিয়াগী সিন্ধুনা অনীশুবা গেম অদুদা মহাক্কী ফজবা মশান্না অদু মখা তানা উৎপা ঙমদুনা শান্নখিবদগী হোং কোংগী য়িপপু ২১–১৪ দা থোইদুনা থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।



থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টনগী নুপীগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু

ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনাগী ঝাং য়িমানবু ২১–১৭, ২১–১৭ দা মায়থিবা পীরম্বী মালেসিয়াগী সোনিয়া চিগা লম্বা তৌনরগনি।

থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা নম্বর ৱান সিদেদ জপানগী অকানে য়ামাগুচি অমসুং য়ুএসএগী বৈৱেন ঝাং লম্বা তৌনগনি।

জপানগী অকানে য়ামাগুচিনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা মালেসিয়াগী গোজিন ৱৈবু ২১–১৫, ২১–১২ দা মায়থিবা পীরম্বনি। অদুগা য়ুএসএগী বৈৱেন ঝাংনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী আয়ুষ্টিনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৬–২১, ২১–১৯, ২১–১৫ দা থোইরমখি।

৪শুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী নোজোমী ওকুহারানা অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী চোচুৱোংবু ২১–১৮, ২১–১৫ দা মায়থিবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৮শুবা সিদেদ জপানগী সায়াকা সাটোবু ৯–২১, ২১–১৯, ২১–১৮ দা থোইরম্বী অতোপ্পা জপানগী শান্নরোই আয়া ওহোরিগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা কানাদাগী মিচেল লি অমসুং ইন্দোনেসিয়াগী টুনজুং লম্বা তৌনরগনি। কানাদাগী মিচেল লিনা অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী ওঙবামরুংফানবু ১৫–২১, ২১–১২, ২১–১৯ দা থোইরমখি। অদুগা ইন্দোনেসিয়াগী টুনজুংনা অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী কৱাকামীবু ২১–১২, ২১–১৮ দা মায়থিবা পীরমখি।

থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা ৪শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী ঐচ এস প্রনোই অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী কুনকোরোনা ২১–১৮, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীরমখি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই পরুপল্লি কাশ্যপসু ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী কে সুনেয়ামানা ২১–১৮, ১৮–২১, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরমখি।

থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী পেয়র মনু অত্রি অমসুং বি সুমিত রেদ্দি জপানগী পেয়র হিরোয়ুকি ইন্দো অমসুং য়ুতা ৱাটানবেগী মখূত্তা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২৪–২২, ১৩–২১, ১৯–২১ দা মায়থিহৌখি।

## ইন্দিয়াগী সুট্টর অনিস ভনৱালা অমসুং মনু ভাকরনা গোল্ড মেডল লৌখ্রে

*প্লজেন, জুলাই ১২ঃ*
ইন্দিয়াগী সুট্টর অনিস ভনৱালা অমসুং মনু ভাকরনা জেক রিপব্লিক্কী সিটি প্লজেনদা পাঙথোকপা ২৮শুবা মিটিং ওফ সুট্টিং হোপ্স ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী সুট্টর অনিস ভনৱালা অমসুং মনু ভাকর ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী সুট্টিং দিসিপ্লিনদা গোল্ড মেডল অমমম লৌবা ঙমখিবনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা জুনিয়র মেন্সকী মিটর ২৫ গী রেপিদ ফায়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপা সুট্টর অনিস ভনৱালানা পুন্না পোইন্ট ৩৩ ফংদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডল অদু চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী য়ুম্বু লৈবাক জেক রিপব্লিক্কী মাটেজ রামপুলানা পোইন্ট ৩০ ফংলগা লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টর অনহাদ জাৱান্দানা পোইন্ট ২১ দা ফংখি।

জুনিয়র ৱুমেন্সকী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপী সুট্টর মনু ভাকরনা পোইন্ট ২৩৮.৭ ফংলগা ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ইভেন্ট অসিগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা মশাগী চহী ১৬ তা ঙাইরিবী ইন্দিয়াগী সুট্টর মনু ভাকরনা পুন্না পোইন্ট ৫৭৪ ফংলগা মকোক ওইদুনা ফাইনেল রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইরকপনি।

জুনিয়র ৱুমেন্সকী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডল অদুনা ফ্রান্সকী সুট্টর কামিলি জেদরজেজ্যুস্কিনা পোইন্ট ২৩৪.১ ফংলগা লৌবা ঙমখি।



অদুগা ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা স্লোভাকিয়াগী সুট্টর মার্টিনা মারসালকোভানা পোইন্ট ২১২.৯ দা লৌবা ঙমখি।

জুনিয়র মেন্সকী মিটর ৫০গী রাইফল প্রোনদা রোমানিয়াগী সুট্টর দ্রাগোমির মাটৈনা পোইন্ট ৬২৪.৮ দা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি। সিলভর মেডল অদুনা রুশিয়াগী সুট্টর অর্টেম ফিলিপ্পোভনা পোইন্ট ৬২২.৯ ফংলগা লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা ইটালিগী সুট্টর মার্কো সুপ্পিনিনা পোইন্ট ৬২২.৬ তা লৌখি।

জুনিয়র ৱুমেন্সকী মিটর ৫০ গী রাইফল প্রোন ইভেন্টতা ইটালিগী সুট্টর নিকোলি গাব্রিয়েলিনা পোইন্ট ৬২৬ ফংদুনা লৌখি। সিলভর মেডল অদুনা ওষ্ট্রিয়াগী সুট্টর সৈলিন ৱাইবেলনা পোইন্ট ৬২৪.৮ দা ফংলগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা জেক রিপব্লিক্কী সুট্টর কেটেরিনা কোলারিকোভানা পোইন্ট ৬২৩.২ দা লৌখি।

## বরজেকজেকনা পোলেন্দগী অনৌবা কোচ ওইরে

*ৱার্সো, জুলাই ১২ঃ*
রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিগী গ্রুপ ষ্টেজদা মমৈদা লৈখিবদগী মখা তানা পাঙথোরকপা টুর্নামেন্টশিংদা অহেনবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙম্নবা জরজি বরজেকজেকপু পোলেন্দগী অনৌবা কোচ ওইনা চহী ৫ গী ফম পুহনখ্রে।

মশাগী চহী ৪৭শুবা জরজি বরজেকজেক মমাঙদা পোলেন্দ লৈবাক্কী শান্নরোই অমা ওইরম্বনি। মহাক্না নৌনা কোচ ওইরকপা অসিদা টিম অসিনা ফজবা মশান্না উৎপা ঙম্নগনি হায়রি।

## রাজা রিথভিকনা খ্বাইদগী নহা ওইবা ইন্টরনেসনেল মাষ্টর ওইরে

*হায়দরবাদ, জুলাই ১২ঃ*
সর্ভিয়াগী পারাসিন ওপন ইন্টরনেসনেল চেছ চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী চহী ১৪ গা থা ২ দা ঙাইরিবা রাজা রিথভিকনা অহুমশুবা ইন্টরনেসনেল মাষ্টর নোর্ম ফংদুনা খ্বাইদগী নহা ওইবা ইন্টরনেসনেল মাষ্টর ওইবা ঙমখ্রে।

সর্ভিয়াগী চেম্পিয়ন্সিপ শান্নদ্রিঙৈ মমাঙদা রাজানা ইএলও পোইন্ট ১৯ লৌবা দরকার লৈখিবনি। অদুবু ওর্কিদ ইন্টরনেসনেল স্কুলদা টেন ষ্টেন্দর্দ তম্লিবা রাজানা পোইন্ট ২৮ ফংবা ঙমদুনা ইন্টরনেসনেল মাষ্টর ওইবা ঙমখিবনি।

সর্ভিয়াগী চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা রাজানা কোচ এন ভি এস রামারাজুগী মীৎয়েং মখাদা ফজনা শান্নবা ঙমদুনা ইংলিস গ্রান্দ মাষ্টর ফর্নান্দেজ হোৱার্দ থোইরগা টর্কিগী গ্রান্দ মাষ্টর অটালিক সুএট অমদি ইরানগী লোর্পারিজ সাহিনগা দ্রো চৎতুনা রাউন্দ ৭ শান্নবদা পোইন্ট ৫ ফংবা ঙমখিবনি। রিথভিককা লোয়ননা টেলঙ্গানা ষ্টেটতা হৌজিক ইন্টরনেসনেল মাষ্টর (আইএম) ৫ শুরে।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা এসিয়ান য়ুঠ চেছ চেম্পিয়ন্সিপকী চহী ১৪ মখাগী কম্পিটিসনদা রাজা রিথভিকনা ইন্দিভিজুয়েলদা গোল্ড ২ অমদি টিম ইভেন্টতা গোল্ড ৩ ফংদুনা চেছ সার্ক্যুইতা মশক তাকপা ঙমখিবনি।

রাজা রিথভিকনা ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা অবু দাবী গ্রান্দ মাষ্টর্স টুর্নামেন্ট অমসুং সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মালেসিয়া ইন্টরনেসনেল চেছ ফেষ্টিভেলদা শরুক য়াগনি হায়রি।

রাজা রিথভিকনা ইন্টরনেসনেল মাষ্টর ফংলকপা অসিদা টেলঙ্গানা ষ্টেট চেছ এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এ নারাসিমহা অমসুং এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী কে এস প্রসাদনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।